

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, JANUARY 24, 2019 **PAGE 7**




*ইন্দোনেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রবী ইন্দিয়াগী সট্টলর সাইনা নেহৱাল*

*ৱান দে ইন্টরনেসনেল ফোর্মেটতা ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী থুনা ৱিকেট ১০০ লৌবা ঙম্বগী অনৌবা রেকোর্দ থমখ্রবা বোল্লর মোহমদ সামী*

## ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু দি এল মেথদতা অহানবা ও দি আই ৱিকেট ৮ দা থোইদুনা সেরিজ মাঙজিল থাখ্রে

*নেপিয়র, জনুৱারি ২৩ঃ*

ইন্দিয়া অমদি ন্যু জিলেন্দনা ঙসিগী শান্নবা হৌখিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী অহানবা ও দি আই মেটচতা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু দি এল মেথদতা ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেরিজ মাঙজিল থাখ্রে।

অহানবা ৱান দে ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট মেটচ অসিগী টোস য়ুম্বু ন্যু জিলেন্দনা টোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। ন্যু জিলেন্দগী ইন্নিংস অদু শান্নরকপা ৩৮শুবা ওভরদা বেটসমেন ১০ মক আওট ওইদুনা রন ১৫৭ দা ইন্নিংস লোইশিনখি।

ন্যু জিলেন্দগী ইন্নিংস হৌরকপদা ফজবা ঙমখিদে। মখোয়গী ওপনর অনী মার্টিন গুপ্টিল অমদি কোলিন মুনরো মথংশিংনা রন ৫ অমদি ৮ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

নৌনা চঙলকখিবা কেপ্টেন কেন ৱিলিয়মসন অমদি রোজর টেলরনা ন্যু জিলেন্দগী ইন্নিংস অদু শেমগৎনবা হোৎনরকখি। রোজর টেলর বোল ৪১ মায়োক্নবদা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ২৪ লৌরম্লগা আওট ওইখিবদগী ন্যু জিলেন্দনা ৱিকেট ৩ আওট ওইখিবদা অপুনবা রন ৫২ শুখি।

৫শুবা বেটসমেন টোম লাথমসু শুপ্নগী রন ১১ খক লৌরম্লগা আওট ওইখি। ৬শুবা বেটসমেন হেনরি নিকোলিসসু ১৪ লৌরম্লগা আওট ওইখি। কেপ্টেন কেন ৱিলিয়মসননা ইন্দিয়াগী বোল্লরশিংবু নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমদুনা বোল ৮১ মায়োক্নবদা ফোর ৭ য়ৈরগা রন ৬৪ লৌরম্বা অদুনা ন্যু জিলেন্দগী ইন্নিংস অসিগী খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

মখা তানা চঙলকখিবা বেটসমেনশিং রন নীংথিনা লৌবা ঙমদবদগী ন্যু জিলেন্দগী ইন্নিংস অদু ওভর ৩৮ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ১০ মক আওট ওইরগা রন ১৫৭ তা লোইশিনখি।

ইন্দিয়াগী বোলর কুলদিপ যাদবনা ন্যু জিলেন্দগী বেটসমেন ৪ আওট তাহনবা ঙমদুনা খ্বাইদগী মায় পাকপা বোল্লর ওইবা ঙমখি। মোহমদ সামীগী ৱিকেট ৩ অমদি য়ুজবেন্দ্র চাহলনা লৌখিবা ৱিকেট ২ শিংথাবা য়াবা ওইখি।

ইন্দিয়ানা মায় পাক্নবগী রন ১৫৮ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদুগী পাউখুমদা রোহিট শর্ম্মা অমদি সিখর ধৱন শান্নবা চঙলকখি। ওপনর রোহিট শর্ম্মা রন ১১ শুরকপদা আওট ওইখি।

৩শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা অতোপ্পা ওপনর সিখর ধৱনগা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর ১৩২ য়ৌহল্লকখি।

ভিরাট কোহলি বোল ৫৯ মায়োক্নবদা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৪৫ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

ইন্দিয়ানা মখা তানা ইন্নিংস চথরকপদা ৩৫শুবা ওভরগী ৫শুবা বোলদা ৱিকেট ২ তুরগা রন ১৫৬ লৌদুনা লৈরিঙৈদা নোংতারকপদগী মখা তানা শান্নবা য়াখিদবদগী অহানবা ৱান দে মেটচ অদু ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু দি এল মেথদতা ৱিকেট ৮ দা থোইদুনা সেরিজ মাঙজিল থাখি।



*ইন্দিয়াগী বেটসমেন ধৱননা ফোর য়ৈখিবা মতাং*

## জপানগী নাওমী ওসাকা অমদি জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভা নুপীগী সিঙ্গলসতা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে







*নুপাগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেলদা শান্নগদৌরিবা জপানগী ওসাকা (ওই) অমদি জেককী প্লিজকোভা*

*মেলবর্ন, জনুৱারি ২৩ঃ*

জপানগী নাওমী ওসাকা অমদি জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভা ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি মেলবর্নদা চথরিবা চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী জপানগী নাওমী ওসাকানা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনাবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৪, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

কুমজা ২০১৮ গী য়ুএস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবী জপানগী নাওমী ওসাকানা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভাগা শান্নরগনি।

প্লিজকোভানা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ১৬শুবা সিদেদ য়ুএসএগী শান্নরোই সেরেনা ৱিলিয়মসপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬–৪, ৪–৬, ৭–৫ দা থোইরম্বনি।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা নম্বর ৱান সিদেদ সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিস অমদি ফ্রান্সকী লুকাস পোলি শান্নরগনি।

নম্বর ৱান সিদেদ সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিসনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা জপানগী কৈ নিসিকোরিবু অহানবা সেট ৬–১ দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট শান্নরকপদসু গেম ৪–১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈরিঙৈ জপানগী নিসিকোরি শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী জোকোভিস সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

জোকোভিসকী সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা ২৮শুবা সিদেদ শান্নরোই ফ্রান্সকী লুকাস পোলিনা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ১৬শুবা সিদেদ কানাদাগী মিলোস রাউনিকপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৭–৬(৭–৪), ৬–৩, ৬–৭(২–৭), ৬–৪ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ২শুবা সিদেদ পেয়র হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমদি ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোভিসনা য়ুএসকী পেয়র জেনিফর ব্রেদি অমদি এলিসন রিস্কেবু ৬–৪, ৬–২ দা থোইরম্লগা ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী সমান্থা ষ্টোসুর অমদি চাইনাগী ঝাং স্বাইগা লম্বা তৌনরগনি।

সমান্থা ষ্টোসুর অমদি ঝাং স্বাইনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা জেক রিপব্লিক্কী পেয়র বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভা অমদি মার্কেটা ভোন্দ্রোসোভাবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৭–৫, ৪–৬, ৭–৫ দা থোইরম্বনি।

নুপাগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ফ্রান্সকী পিয়েরি হর্বর্ট অমদি নিকোলাস মাহুটনা য়ুএসকী পেয়র বোব অমদি বাইক ব্রাইনবু ৬–৪, ৭–৬(৭–৩) দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

## অনীশুবা মেটচসু ইন্দিয়ানা হোং কোংবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইখ্রে

*বেঙ্কোক, জনুৱারি ২৩ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম্না হোং কোংগা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ফ্রেন্দলি মেটচসু পাঞ্জল ১–০ দা মায় পাকখ্রে।

নীংশিংবা য়াই ইন্দিয়া অমসুং হোং কোংনা ঙরাং শান্নখিবা অহানবা ফ্রেন্দলি মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম্না হোং কোংবু পাঞ্জল ৫–২ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ইন্দিয়া অমসুং হোং কোংনা শান্নখিবা মেটচ অসি হৌবদগী ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা খুদুম চনবা ঙমখি। হোং কোংগী দিফেন্দরশিংনা ইন্দিয়াগী এটেকশিং অদু মায়োক্নবদা অৱাবা ওইখি।

শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা পেনাল্টি বোক্সংকী হেক মপান্দা ইন্দিয়ানা ফংখিবা ফ্রি কিক অমা টিম অসিগী শান্নরোই মণিপুর মচা রতনবালা দেবীনা কাওশিনখিবদা হোং কোংগী দিফেন্দরশিংনা ঙাকথোকপা ঙমখিবদগী পাঞ্জল ওইবা ঙমহৌখিদে।

অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপা অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নরকখ্রবসু হোং কোংগী দিফেন্দরশিংনা ফজনা থিংবা ঙমখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা টিম অনীমক পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা অদুমক এটেক হেন্না চথবা ঙমখি। হোং কোংগী গোলকিপরনা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা গোল তম্না কাওশিল্লকখিবা সোট ৬ গোল ওন্থোকহনখিদে।

শান্নবগী ৬৮শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ইন্দুমাথি কাথিরেসাননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখিবা অদু মেটচ লোইশিনবা ফাওবা লৈখিবদগী ইন্দিয়া ১–০ দা মায় পাকখি।

ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম অসিনা থা অসিগী ২৭ অমদি ৩০দা ইন্দোনেসিয়াগা ফ্রেন্দলি মেটচ অনী শান্নরগনি।



## কাটারসু এসিয়ান কপকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

*অবু দাবী, জনুৱারি ২৩ঃ*

কাটারনা ইরাকপু পাঞ্জল ১–০ দা থোইদুনা য়ুএইনা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা এএফসি এসিয়ান কপ ২০১৯ গী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

কাটার অমদি ইরাকনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু মেটচ হেক হৌবদগী টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখি।

অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপদা কাটারগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌবা ঙমখ্রবসু পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্মদনা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা কাটারগী শান্নরোইশিংনা এটেক কনশিল্লকখি। শান্নবগী ৬২শুবা মিনটতা কাটারনা ফংখিবা ফ্রি কিক অমদা টিম অসিগী দিফেন্দর বাসাম হিসামনা কাওশিনবদা পাঞ্জল চনবা ঙমদুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী কাটারনা ইরাকপু ১–০ দা থোইরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা সাউথ কোরিয়াগা লম্বা তৌনরগনি।

## অপুর্ভি চান্দেলানা ওষ্ট্রিয়াগী মেটোন কপ্তা গোল্ড অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল অমমম লৌখ্রে



*ইন্সব্রুক (ওষ্ট্রিয়া), জনুৱারি ২৩ঃ*

ওষ্ট্রিয়াগী সিটি ইন্সব্রুকতা ঙসি পাঙথোকখিবা মেটোন কপ ইন্টরনেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়নসপকী ৱুমেন্স এয়র রাইফল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী ওলেম্পিয়ান নুপী সুট্টর অপুর্ভি চান্দেলানা গোল্ড অমদি ব্রোঞ্জ মেডল অমমম লৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়গী নুপী সুট্টর অপুর্ভি চান্দেলানা ঙসি পাঙথোকখিবা ৱুমেন্স এয়র রাইফল ইভেন্টতা পুন্না পোইন্ট ২৫২.২ ফংদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডলনা জেক রিপব্লিক্কী সুট্টর এনেটা ব্রাবকোভানা পোইন্ট ২৫১.৬ তা ফংখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর ৱার্ল্ড য়ুনিভর্সিটি চেম্পিয়ন ভিনিটা ভরদৱাজনা পোইন্ট ২৩০.১ দা লৌখি।

ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর অঞ্জুম মোটগিল, মেঘানা সাজানার অমদি প্রিয়াঙ্কা সান্দাঙ্গি মথংশিংনা ৭, ১৪, অমদি ২০শুবা পোজিসন তাখি।

মেটোন কপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা ৱুমেন্স এয়র রাইফল–টু ইভেন্টতা রুশিয়াগী সুট্টর অনাস্টেসিয়া গালাসিনানা পুন্না পোইন্ট ২৫২.৯ ফংদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। রুশিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর ইয়ুলিয়া কারিমোভানা পোইন্ট ২৫২.৩ ফংলগা সিলভর মেডল ফংখি।

ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী সুট্টর অপুর্ভি চান্দেলানা পুন্না পোইন্ট ২৩১.১ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখি। ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী নুপী সুট্টর ভিনিটা ভরধৱাজ, অঞ্জুম মোটগিল অমদি মেঘানা সাজানারনা মথংশিংনা ৮, ৯ অমদি ২০শুবা পোজিসন তাখি।

মেটোন কপ ইন্টরনেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়নসিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী এয়র রাইফল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী সুট্টর আখিল সিওরান শুপ্নগী ০.৮ শোত্থদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌখি। নুপাগী এয়র পিষ্টোলদা ইন্দিয়াগী সুমেধ কুমার অমদি দেভলালিভালা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদে।

## সাইনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, প্রনিথ অমদি সুভাঙ্কর লৈহৌরে

*জাকর্টা, জনুৱারি ২৩ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপী সট্টলর সাইনা নেহৱাল ঙসিদগী হৌখিবা য়ুএস দোল্লর ৩৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ইন্দোনেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, লৈবাক অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই সাই প্রনিথ অমদি সুভাঙ্কর লৈহৌরে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ৮শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই দিনার দিয়া আয়ুষ্টিনবু ৭–২১, ২১–১৬, ২১–১১ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

সাইনা নেহৱালনা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই ফিত্রিয়ানি ফিত্রিয়ানিগা লম্বা তৌনরগনি।

কুমজা ২০১৭গী সিঙ্গাপোর ওপনগী চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী সাই প্রনিথ অহানবা রাউন্দদা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন চাইনাগী চেন লোংগী মখূত্তা ১২–২১, ১৬–২১ দা মায়থিহৌখি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই সুভাঙ্করসু ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা মমাঙদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবা দেনমার্ককী ভিক্তর এজেলসেনগী মখূত্তা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৪–২১, ২১–১৯, ১৫–২১ দা মায়থিহৌদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌখি।

ইন্দোনেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী পেয়র মনু অত্রি অমদি সুমিত রেদ্দিনা দেনমার্ককী পেয়র মেদস পিয়েলর কোল্ডিং অমদি নিক্লাস নোরবু ১৪–২১, ২১–১৯, ২১–১৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

নুপীগী দবলসতা ইন্দিয়াগী পোনাপ্পা অমদি সিক্কি রেদ্দি থাইলেন্দগী পেয়র কিটিথারাকুল অমদি প্রাজোংজাইগী মখূত্তা ১৪–২১, ১৪–২১ দা মায়থিহৌখি।

### ক্রোসৱার্দ ৫১ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| K | A | Y | O | ■ | R | E | A | D | ■ | J | E | S | S | E |
| A | R | A | B | ■ | A | X | L | E | ■ | U | V | U | L | A |
| R | E | N | O | ■ | T | A | L | L | ■ | N | A | M | E | R |
| T | A | K | E | I | T | L | Y | I | N | G | D | O | W | N |
| ■ | ■ | ■ | ■ | R | A | T | ■ | ■ | A | L | E | ■ | ■ | ■ |
| S | E | A | M | A | N | ■ | C | A | S | E | ■ | L | E | E |
| C | A | R | E | T | ■ | S | H | U | T | ■ | W | A | R | D |
| A | G | R | E | E | T | O | A | N | Y | T | H | I | N | G |
| M | E | A | T | ■ | R | I | F | T | ■ | E | E | R | I | E |
| P | R | Y | ■ | C | A | L | F | ■ | V | E | N | D | E | D |
| ■ | ■ | ■ | A | R | C | ■ | ■ | F | I | N | ■ | ■ | ■ | ■ |
| C | L | O | S | E | Y | O | U | R | E | Y | E | S | T | O |
| H | U | L | K | S | ■ | D | R | A | W | ■ | M | E | A | N |
| I | S | L | E | T | ■ | D | A | M | E | ■ | M | E | N | U |
| T | H | A | W | S | ■ | S | L | E | D | ■ | A | S | K | S |


**PIS Brick Field (Mechanised)**

BRICKSAMPLE

ꯃꯇꯝ ꯃꯇꯝꯗ ꯃꯃꯜ ꯍꯣꯡ ꯍꯧꯔꯤ (From time to time rate changeable)

| Class | Rate | Bricks | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 12.50 | 2000 | Rs. 25000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 27600 |
| 1st | Rs. 12.50 | 1500 | Rs. 18750 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20750 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 2000 | Rs. 24000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 26600 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 1500 | Rs. 18000 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20000 |
| 1st Rej. | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| 1st Rej. | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| Peti | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| Peti | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| 3rd | Rs. 7.50 | 2000 | Rs. 15000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 17600 |
| 3rd | Rs. 7.50 | 1500 | Rs. 11250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 13250 |

**Contact: 9862048579, 8787464898, 7085684539** (Sunday closed & Phone switch off)

Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.

*SL/1198/Alt.50 days*



REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES

(An Autonomous Institute under the Ministry of Health & Family Welfare, Government of India.)

IMPHAL : MANIPUR

ADVERTISEMENT

Imphal, the 19 / 01 / 2019

**No. B/3101/ 2016-RIMS-(Pt.I ) : / 3328** Applications in prescribed format are invited from the intending eligible candidates who are citizens of India for appointment to the following posts of Dental College, RIMS, Imphal. Last date of receipt of applications is 18/02/ 2019.

***For full version of the advertisement please visit the institute website : rims.edu.in.***

| Sl. No. | Name of the post | No. of vacancy |
|---|---|---|
| 1 | Professor:<br>- Periodontology- 1 No.<br>- Prosthodontics- 1 No. | 2 Nos. |
| 2 | Assistant Professor :<br>- Periodontology- 1 No.<br>- Prosthodontics- 1 No.<br>- Public Health Dentistry- 2 Nos.<br>- Conservative Dentistry- 3 Nos.<br>- Oral Medicine and Radiology- 1 No. | 8 Nos. |

*Sd/-* (K. Doungel)
Deputy Director (Admin.)
Regional Institute of Medical Sciences, Imphal

*SL/BILL(RIMS)/24*